এস কে ৱিমেন্স কোলেজদা দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজি অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ফূদ টেক্নোলোজিগা খূৎশম্নদুনা নুমীৎ ৭নি চুপ্পা চথুগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখিবা




ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ওক্সু নিংথেমচা খুলদা শোর্ট টর্ম ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন মশরুম গ্রোৱরগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা



রিপব্লিক দেগী মাংওইননা থৌবালদা লৈবা ১৬৫ ইনফেন্ট্রি বট্টালিয়ন অসাম সী কম্পেনিগী মায়কৈদগী চরাংপাৎতা লৈবা হোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা



১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা সুগ্নু এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা ডা. কে মুক্তাসনাদা মীয়াম্না চেঙ, ফৌ অমদি চানবা অতৈ পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা




## ডা. কে মুক্তাসনাদা মীয়াম্না চান-থক্লবা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচএন এস): ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা সেরৌ অৱাং লৈকাইদা লৈবা ডা. কে মুক্তাসনাগী য়ূমদা সুগ্নুগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই চা কয়ানা ফৌ, চেঙ, আলু অমদি অতৈ চানবা পোৎলমশিং মতেং পাংনখ্রে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা সুগ্নু এ সীগী নৌনা মীরেপ ওইনা থোক্লক্লিবা ডা. কে মুক্তাসনাবু এ সী অসিগী মীহুৎ ওইনা মায় পাক্লবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা পূন্না ৱারেপসু লৌমিন্নখি হায়রি।

## এক্সিদেন্টতা ১ শিরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচএন এস): ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.২০ লোম তাবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বিষ্ণুপুর কৈথেল মনাক্তা খামদুনা লৈবা টিপ্পর অমদা এফ জেদ মোটোর সাইকল থৌদুনা লাকপা নুপা অমনা খঙহৌদনা থোমজিনবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে হায়রি। অশিবা হকচাং অদু বিষ্ণুপুর পুলিসকী টিম অমা লাক্লগা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা য়ূমগী মীওইদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## থিবা-হুম্বগী থবক চথখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচএন এস): ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙসি অয়ূক অন্দ্রো পার্কিং এরিয়াদা থিবা-হুম্বগী থবক চথখ্রে হায়রি। থিবা-হুম্বা চথখিবা থবক অদু রিপব্লিক দেনা লাকপা অমদি ফেব্রুৱারী ২৭ অমসুং মার্চ ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মাংজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি। মফম অদুদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা য়ূম ৬০ রোমদা চঙদুনা মীওই ৩০০ রোমদা ৱাহং-পাউহং চথখি হায়রি। থিবা-হুম্বগী থবক অদুদা মীফা-মীপূনদি অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচএন এস): শিরোই পব্লিকেসন থৌবালনা শীন্দুনা মোংশাঙ্গেগী টি এস পোল ৱিমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এন সচিনা ইবা দেমোক্রেটিক দি সেন্ট্রেলাইজেসন এজ এ ষ্টেপ টুৱার্দস পোলিটিকেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়ট সিষ্টম ইন মণিপুর কৌবা লাইরিক অনী ঙরাং টি এস পোল ৱিমেন কোলেজ মোংশাঙ্গেদা হৌনবী মতুংইন্না ফোঙখ্রে হায়রি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এগজামিনেসন কন্ট্রোলর প্রো. এন জি নিমাই, টি এস পোলগী জি বি চ্যেরমেন ঈ দোরেন, এম য়ুগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. এম হেমন্ত, টি এস পোল কোলেজগী সেক্রেটরি ও প্রিয়োকুমার, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী ষ্টেট নোদল ওফিসর কে ঐচ ইবোচৌবা অমদি শিরোই পব্লিকেসনগী প্রোপ্রাইটর ডা. এন শরতচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা লাইরিক অনী অদুগী মরমদা ডা. এম হেমন্ত অমদি কে ঐচ ইবোচৌবনা ৱা ঙাংখি হায়রি।

## এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচএন এস): কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন অমা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোংপিজাং ভিলেজদা সেলিন দিজিটেলনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লানাজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক অকিবগী মশক অমা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবগীদমক ঐখোয় পূম্নমক্না এস ও পি নীংথিনা ঙাকপা মথৌ তাই। থৌরম অদুদা সেলিন দিজিটেলগী থৌমী জেমস, এস শান্তি অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

# অমকিলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা শখিনা লৈখিদবদা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বী ইমা শখিনা লৈখিদবদা ৱাঙ্খে মৈহৌবম লম্পাক্কী লিজার্দ লাইব্রেরি ক্লবতা অমকিলগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী থৌ পুরিবী ইমা নুপী কয়ানা শরুক য়াদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে হায়না অমকিলগী সেক্রেটরি কে ইবেয়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈখিদ্রবী ইমা শখি মশাগী চহী ৮৭ হেনখ্রে। মহাক কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তা পোকখিবনি। মহাক্কী অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা ওইনাম য়াইমা কৌই। অপোকপীগী মিংনা লৈখিদ্রবী ওইনাম ওংবী ইবেতোম্বী কৌই। মহাক সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা নুপীশিংনা লাইরিক কয়া তম্নদ্রিঙৈ মতমদা য়াম্না ৱানা লাইরিক তম্লকখি।

মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা লমদম অসিদগী য়ু থিংনবা, খুনু তূনবা থিংনবা, গঞ্জা, কানি চাবা-থকপনচিংবা থিংনবগী অচৌবা ঈহৌ কয়া চঙশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। লোয়ননা নুপী কাঙলূপ কয়া শাগৎপদসু অচৌবা থৌদাং লৌখি। মরুওইনা কুমজা ১৯৮০দা মণিপুর তম্পাক লমদা দিষ্টর্ব এরিয়া থমজিল্লক্তুনা অফস্পাগী মরুমদা মীহাৎ-মীপূন পাক্তক্লনা চথুরকপগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মখলগী ওপরেসনশিং তৌরক্তুনা মরাল লৈতবা মীওই কয়াগী থৱায় পীখম্নহনখিবা মতমদা মণিপুরগী



পোকপা : ১৩-০৬-১৯৩৫
লৈখিদবা : ২৩-০১-২০২২

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা নুপীশিংগী অপূনবা কাঙলূপ কয়া শেমদুনা অসিগুম্লবা তমথীরবা এক্ত অদুগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। লোয়ননা কুমজা ২০০০গী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গী মরক্তা শান্নখিবা পীছ টোককী ৱাফমদা মণিপুরগী অপূনবগী ঙমখৈ শোকচিল্লকপগী ফীভম উরকপদা ইমা শখিনা অমকিল লূপ অসি শেমদুনা ঈহৌ কয়া শাগৎপগা লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না ঈহৌ হৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অসিগুম্লবা থৌনা লৈবী ইমা অসিনা লৈখিদবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, ইমা শখিনা লৈখিদবদা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী মায়কৈদগীসু অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ৱাঙ্খে মৈহৌবমদা লৈরম্বী ফাঞ্জৌবম শখি লৈমনা জন্যুৱারী ২৩দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। ইমা শখিনা লৈখিদবা অসিদা মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু কাদানা শরুক য়াজরি।

মীয়াম্না ইমা শখি হায়রগা হেন্না খঙনবা ইমা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা মতম শাংনা অমকিলগী প্রসিদেন্টকী থৌগায় পুদুনা লমদম অসিদা থোকপা তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংদা মাংজিল থানা শরুক য়াবীরমখি। মহাক্কী হনবা লৈত্রবা কথোকপনা মপূং ওইবা থৌদাংশিং অদুনা মীপূম তিংনা খঙনবা ইমাশিংগী মনুংদা অমনি। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা হৌনরুবা তৌদনা জুন ১৮ হায়রগা খঙনবা অথৌবা-অথৌবী ১৮না থৱায়না পোন্থা পীখিবা ঈশিং-ঈচাওগুম্লবা মীয়ামগী ঈহৌ অদুদসু অচৌবা থৌদাং লৌরমখি।

লৈখিদ্রবী ইমানা লমদম অসিগী য়েলহৌমী কঞ্জনবা চথুখিবা খোঙজং কয়াদসু অচৌবা থৌদাং লৌবীরমখি। অসিগুম্লবা থৌনা ফরবী ইমা শখিনা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অমুক হন্না মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অমকিলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা ফাঞ্জৌবম শখিনা লৈখিদবদা ইন্টরনেসনল পীছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়নসু ইপসাগী এসিষ্টেন্ট আই পি আর থোই ওক্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবী ইমা শখিগী কথোকপা ঙম্বগী থৌনা, ইরমদমবু নুংশিবগী পীরম্বা ঈথিল পূম্নমক অদুদি মালেম অসিনা মুৎত্রিবমখৈ লৈহৌরগনি। ইমা শখিগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা মতম চুপ্পগী ওইনা ঈংনা-চিক্লা পোত্থাদুনা লৈহন্নবা মপূদা খুরুমজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

নাকল অমরোমদা, অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বী ফাঞ্জৌবম শখিনা লৈখিদবদা তরাহৈ য়ূঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টি ৱাই দি ও)না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি বি এম রশিদ অলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা সোসল এক্টিভিষ্ট বুয়াময়ুম য়াইমা শাহনা প্রিসাইদ তৌদুনা ইমা শখিনা হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক মীয়ামগীদমক মতম শাংনা কথোক্তুনা পাংবীরম্বা থৌদাংশিংবু নৌহৌননা মীয়ামদা পাউদমখি। লৈখিদ্রবী ইমাগীদমক টি ৱাই দি ওগী থৌমীশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচএনএস): ঙসিদগী হৌরগা নুমীৎ ৬নি চুপ্পা চথুগদবা হেন্দস ওন ট্রেনিং প্রোগ্রাম ফোর মশরুম কল্টিভেসন এন্দ ফূদ প্রোসেসিংগী থৌরম অমা এস কে ৱিমেন্স কোলেজ নম্বোলগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিনা কোলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফূদ টেক্নোলোজিগা খূৎশম্নরগা য়ু জি সী-এস টি আর আই দি ঈ-সী ৱানগী শেন্থং মখাদা কোলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

নুমীৎ ৬নি চুপ্পা চথুগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চাওরাক্লা মহৈরোয় ৫০/৫০না বেটচ অনী থোক্লা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মৈরা ফূদকী প্রোপাইটর হঞ্জবম সুভ্রা, এস কে ৱিমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. দব্লিয়ু রোবিন্দ্রো, দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী হেদ এস চন্দ্রকুমার, দিপার্টমেন্ট ওফ হ্যুমেন রাইটসকী হেদ অমদি য়ু জি সী এস টি আর আই দি ঈ-সী ৱানগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর ডা. এল মুহিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস কে ৱিমেন কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. এস ইশোরীনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা লমদম অসিগী মহৈ তম্লিবা অমদি তম্বা লোইরবা মহৈরোয়শিংদা মশাগী ইনকম জেনরেট তৌবা য়াবা থবক পায়খৎপদা ইন্সপ্যর তৌবগা লোয়ননা স্কিলসু দিভলপমেন্ট তৌবগী খূদোংচাবা কয়া পীবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক খক ঙাইবগী মহুৎতা এগ্রিকলচরগী লম্‌দসু খোঙদাদুনা সষ্টেনেবল ইনকম জেনরেসনদসু অচৌবা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। কোলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট অনী অসিনা মতম-মতমগী মতুংইন্না অনকপদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা মশরুম কল্টিভেসন এন্দ ফূদ প্রোসেসিংগী মরমদা হেন্না খঙননবা তোঙান-তোঙানবা ট্রেনিং প্রোগ্রামশিংসু অঙন্বা থাক্তা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়না থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ৩৯শুবা কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচএনএস): হিয়াংলম লোকল কাউন্সিল সী পি আইগী ৩৯শুবা চহীগী কনফরেন্স হিয়াংলম হিয়ানমৈদা লৈবা কমরেদ য়াইস্কুলগী য়ূমদা দেলিগেট ১০০না শরুক য়ারদুনা কমরেদ এল সোটিন কুমারনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কমরেদ রাজমোহোনবু লোকল সেক্রেটরি ওইনা খনখি হায়না কাউন্সিলগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলকপনা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু : সুক

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলক্তুনা মীওই কয়াদা চৈথেং চাওনা ফংলক্লিবা অসিগী মথক্তা এদ্যুকেসন সেক্টরদসু লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী ঐচ আর দি সেক্রেটরি গ্যানাগর নামৈরাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি অমুক নেহৌননা কা-হেন্না মথি ফোংলকপগী মমি অমা লমদম অসিদসু তাবা হৌরক্লে। মসিনা মরম ওইরগা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা চাওনা চৈথেং পীদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লিবনি। লন্নাইগী ওইবা প্রাইভেট হোষ্টেল, স্কুলশিং অমদি লৈঙাক্কী স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মহৈরোয়গী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মমাং চহীগী ওগষ্ট ১৫গী মতুং পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংনা পোজিটিভ ওইখিবা অসি চহী অসিগী জ্যুৱারী ২১দা ওইখি। মসিগী মনুংদা ইরোইশেন্বদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু)গী হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোয় ১০৭ পোজিটিভ ওইখিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি অমদি মসি ওথোরিটি অমদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চেকশিনবা ৱাৎপদগী থোক্লকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা হৌজিক ফিজিকেল ক্লাস চথুরিবা অমদি বোর্দিং/হোষ্টেল হাংলিবা মহৈলোইশঙশিংদা পাক্তক্না পোজিটিভ ওইবগী থৌওং অসি থোক্লক্তনবা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীনবা সুককী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি।

লমদম অসিদা ইহান হান্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকখিবা মতমদা লাউথোকখিবা চেকশিন-থৌরাংশিং অদুগা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগা চাংদম্নবদা মীওইবগী পূন্সিবু করিসু লৈতনা খনবগী মমি তাবগুম্না তৌরিবা অসি চমম্নবা ফাওই। ফেব্রুৱারী ২৭ অমদি মার্চ ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগী মরুমদা ঈ মশেল অমগা-অমগা য়েংথিনরিঙৈ ঐখোয়গী ইরক্তা কোরোনা কৌবা শক্লোন মখল-মখল ওনবা ঙম্বা মহীক অমা ঙসিসু অদুম্মক তিন্দুনা লৈরি হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চুপ্পদা কাউবীদবা চুমগনি।

লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা ঐখোয়গী লমদম অসিবু শোথহল্লোই হায়রবদি তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরিবা মহৈরোয়শিংবু পেন্দমিক মতম অসিদা করম্বা মওংদা চেকশিন্না মশাগী মথৌশিংবু নীংশিংহনগদগে হায়না পোলিসি য়াৎপগী মতম ওইরে। ইলেক্সনদা করম্বা মওংদা শেল থাদরগা মায় পাক্কদগে হায়না খল্লিঙৈ মৈরিকপীদগী মৈজাও ওন্দুনা লমদম অসি মুৎখিবদা কনানসু কনবা ঙম্লোই।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ওনলাইন ক্লাসেস চাং নাইনা তৌবীরিবা স্কুল অমদি কোলেজগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু অনৌ-অনৌবা মোদ ওফ ওনলাইন লর্নিং কয়া পুথোকপীদুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈগী লম্বীদা খুমাং চাওশিনহন্নবা অহেনবা মতেং পাংশিনবা মতম অদুসু য়ৌরে। করিগুম্বা মসি তৌহৌদবা তারবদি পেন্দমিক লোইখ্রবা মতুংদা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিং থরোই অহান্বগা পাঙ্খক ওইরক্কনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অরোইবদা হায়জনিংবা ৱাফমদি, ভেক্সিন দোজ শুনা কাপত্রিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা অখন্নবা পোলিসি শীনবীদুনা মশা-মশাগী স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিশিংদা অথুবা মতমদা ভেক্সিন কাপথোকপা য়াহন্নবা ওথোরিটিশিংনা ইনিসিএটিভ লৌখৎপীয়ু।

লোয়ননা কংলৈপাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কংলৈচা পূম্নমক্লসু হৌজিক-হৌজিক অকনবা মওংদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা শক্লোন অমা ওইরিবা মীয়াম্না থর্দ ৱেভনিসু হায়নরিবা ওমিক্রোন অসি ঐখোয় পূম্নমক্না লান্থেংমিন্নদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। অসিগুম্বা তমথীরবা মীওইবগী থৱায় লৌরিবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকপীবা অমদি মতম-মতমগী ওইনা লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই। মরম অদুনা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্না কংলৈচাশিংদা চেকশিন্না লৈমিন্নসি অমদি লায়না অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা আপীল তৌরক্লি।

## লাপসালগী মশা লোইশঙ ৩ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : জন্যুৱারী ৭, ৯ অমসুং ১৯দা লাইনিংথৌ পুরৈরোম্বা অঙোম সলাই অপূনবা লূপ (লাপসাল)গী তোঙান-তোঙানবা খুনফমশিংদা মশা লোইশঙ লেপ্পা লৈতনা হাংদোরকপগী শরুক অমা ওইনা লূপ অসিগী মশা লোইশঙ অহুম তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংদোকখ্রে হায়না লাপসালগী সেক্রেটরি য়ু দিনেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নৌনা হাংদোকখিবা লাপসালগী মশা লোইশঙ অহুমগী মনুংদা ৱাঙ্খে অঙোম লৈকাইগী ওইনা থৌ পুগদবশিং অদুদি অঙোম জয়েন্তা, অঙোম বোবি অমদি অঙোম সোভাজিৎনা মথংশিংনা লুচিং পুরেল, লুচিং থৌপুবা অমদি সেলুংবা ওইগনি। লোয়ননা নিংঙোম্বম খুনফমগী ওইনা অকোইজম ইবোহল, অকোইজম বালেশ্বর অমদি চিংঙাংবম সুর্জিৎনা মথংশিংনা লুচিং পুরেল, লুচিং থৌপুবা অমদি সেলুংবা ওইরগনি। ৱাঙ্গু লমখাই সুগ্নু এ সীগী ওইনা খাঙেম্বম ব্রোজেন, নোংমাইথেম ওজিৎ অমদি খাঙেম্বম নন্দোনা লুচিং পুরেল, লুচিং থৌপুবা অমসুং সেলুংবা ওইনা খনখ্রে হায়রি।

লোয়ননা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, অঙোম সলাই ওইরিবা শাগৈচাশিংনা লাপসালগী মশা লোইশঙশিং হাংদোকপদা মতেং পাংবীয়ু। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৮৬৩০১০৪৩৪ দা হংবীরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদ ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএন এস) : হৈরোক পার্ট-টু তোমাল মখোঙ নিংথৌজম লৈকাইদগী নিংথৌজম অঞ্জিৎ অপোকপা শামুডৌনা ঙসি হৈরোক্তা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ওইনা হৌখিবা নুমীৎ কয়ানিদগী মথৌ তৌরিবা দোক্টর, নর্স অমদি পুলিস পর্সনেলশিংদা ঙমজবা মতেং ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়রি।

ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংদা অঙন্বা মতেং পাংলিবা মীশক নিংথৌজম অঞ্জিৎ হায়রিবা অসি হৌজিক-হৌজিক হৈরোক হায় স্কুলদা সাইন্সকী ওজা ওইদুনা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌরি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগীদমক কথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌরিবা হৈরোক্কী ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংদা মতেং পাংবগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, হন্দক হৈরোক্তা পামদবা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক খরা থোকখ্রে। মসিগী মথক্তা নৌহৌননা অমুক কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট অমা ওইরিবা ওমিক্রোন লাইচৎ য়াম্না কন্না শন্দোরক্লি। অসিগুম্বা অৱাবা কয়া অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হায়দুনা তুম্বা-চাবা খঙদনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মথৌ তৌবীরিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মখোয়দা ঙমজবা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং অসি মতেং পাংবনি হায়খি।

তেংবাঙবগী থৌরম অদুদা নিংথৌজম অঞ্জিৎনা সী ঐচ সী হৈরোক্কী দোক্টর, নর্স অমদি অতৈ অতোপ্পা ষ্টাফশিংগা লোয়ননা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসরশিং অমদি পুলিস পর্সনেলশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু পীখিবনি।

## চিলদ্রেন হোমদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচ এন এস): রিপব্লিক দেগী মাংওইননা থৌবালদা লৈবা ১৬৫ ইনফেন্ট্রি বট্টালিয়ন (টি এ)(ঐচ এন্দ ঐচ) অসাম সী কম্পেনিগী মায়কৈদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চরাংপাৎতা লৈবা লৈঙাক্কী নুপামচাশিংতগী ওইবা হোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

তেংবাংগী পোৎলমশিং অদু বট্টালিয়ন অসিগী সী ও নন্দিট জোজ'না লুচিংবা টিম অমনা হোম অদুগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ইন-চার্জ ওইরিবী এল হেমোলাতাদা খূৎশিন্নখিবনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ১৬৫ টি এগী টিম অদুনা ট্রেক স্যুইট অমমম্‌সু খূদোল তমখিবগা লোয়ননা নুপামচাশিং অদুগা ৱারী শাদুনা মখোয়গী তুংগী পূন্সিদা লমদম অসিগী মশক নাইবা মীওই অমমম্ ওইরক্নবা পাউতাকশিংসু পীখি হায়রি।

ঙসি হোমদা পাঙথোকখিবা তেংবাঙবগী থৌরম অদুদা চাইল্দ ৱেলফ্যের কম্মিটি থৌবালগী চ্যেরপর্সন লাংপোকলাকপম রোমেনসু শরুক য়াখি। লোয়ননা তেংবাঙ অদুগীদমক চ্যেরপর্সন অসিনা ১৬৫ টি এগী কাঙবু অদুবু তৌবীমল খঙবসু উৎখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
---
ꯑꯣꯏꯁꯤꯟꯗꯤꯡꯅꯥ /NOTIFICATION
Imphal, the 24th January, 2022

No. 7/64/2018 (BBBP)) -Pt: It is notified to all the concerned that the following participants have been adjudged as the winners of the various Online Competition held in connection with the celebration of "National Girl Child Day, 2022" under the theme, "Beti Bachao Beti Padhao", organized by the Department.

1. Online Photography Competition (Senior Category)

| Sl. No | Name, Address, Contact No. and ID | Position |
|---|---|---|
| 1 | Lingjelthoibi Maibam<br>D/O. Amar Maibam Ph. No: 9362148363 | 1st Prize |
| 2 | Maxy Okram Chanu<br>D/O. Manimohan Okram Cha . Ph. No: 9862638818 | 2nd Prize |
| 3 | Linthoinganbi Salam<br>Ph. No: 8132015547 | 3rd Prize |
| 4 | Yohenbee Tourangbam<br>D/O. Tourangbam Netrajit Ph. No: 9862408053 | Consolation Prize |
| 5 | Konthoujam Sushima Devi<br>D/O. Konthoujam Ibeni Devi . Ph. No: 8257061883 | Consolation Prize |
| 6 | Moirangthem Kalpana Chanu<br>D/O. Moirangthem Muhindro Meitei. Ph No: 7005317005 | Consolation Prize |
| 7 | Thounaojam Binalog<br>S/O. Thounaojam Ingocha Singh. Ph. No: 8974860069 | Consolation Prize |
| 8 | Th. Basundhara<br>D/O. Th. Benjamin. Ph. No: 9856144775 | Consolation Prize |

2. Online Photography Competition (Junior Category)

| Sl. No | Name, Address, Contact No. and ID | Position |
|---|---|---|
| 1 | Nameirakpam Banerji<br>S/O. Nameirakpam Deben Singh. Ph. No: 9863487728 | 1st Prize |
| 2 | Laishram Langlen Chanu<br>D/O. Laishram Robindro Singh. Ph. No: 9856968763 | 2nd Prize |
| 3 | Alexander Hawaibam<br>S/O. Hawaibam Tomba Singh. Ph No : 9863343874 | 3rd Prize |

3. Online Slogan Competion (Senior Category)

| Sl. No | Name, Address, Contact No and ID | Position |
|---|---|---|
| 1 | Oinam Ghanapyari<br>D/O. Oinam Gulapi. Ph. No: 9366554132 | 1st Prize |
| 2 | Linthoi Moirangthem<br>D/O. M. Raju Singh. Ph. No: 8132815921 | 2nd Prize |
| 3 | Loktongbam Versa Devi<br>D/O. Loktongbam Inaocha Singh. Ph. No: 7005471476 | 3rd Prize |
| 4 | Tongbram Shivsagar Singh<br>S/O. Tongbram Natrajit Singh. Ph No:7085470283 | Consolation |
| 5 | Yumnam Priyoranjan Singh<br>S/O. Yumnam Dilipkumar Singh. Ph. No: 6009093247 | Consolation |
| 6 | Marcia Ngasham<br>D/O. Ngasham Keetsom Meitei. Ph No: 7005026994 | Consolation |
| 7 | Jupitara Chakpram<br>D/O. Chakpram Bimolchandra. Ph. No.: 9856174319 | Consolation |

4. Online Slogan Competition (Junior Category)

| Sl. No | Name, Address, Contact No, ID | Position |
|---|---|---|
| 1 | Anchana Ningthoujam<br>Ph No: 7005301996 | 1st Prize |
| 2 | Nengvanglalngak<br>D/O. Maunsang. Ph. No: 8974187084 | 2nd Prize |
| 3 | Thounaojam Sofiya Devi<br>D/O. Thounaojam Ongbi Kabita Devi. Ph. No: 8259954587 | 3rd Prixe |

Consolation prizes are not considered in some categories as the juries found no deserving entries for the same.

Date, time and venue for distribution of Prizes and certificates will be notified shortly.

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-B/7445/25